# অৰাং-নোংপোক অর্বান মিসনশিংগী প্রোগ্রেস রিভিয়ু তৌখ্রে

# মণিপুরনা এসএএপিগী প্রোজেক্ট চাদা ১০০গী কন্ট্রেকশিং পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১ঃ
মণিপুর, মিজোরাম, সিকিম, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেস-অৰাংনোংপোক ষ্টেটশিংদা হৌখিবা চহি ৪ সিংদা লূপা ক্রোর ৪২০০গী সেন্ট্রেল এসিস্টেন্ট থাদোকখ্রে। স্মার্ট সিটি মিসনগী মখাদা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লূপা ক্রোর ১০২৪গী সেন্ট্রেল এসিস্টেন্ট থাদোকখ্রে। ইম্ফাল, ইতানগর, পাসিঘাথ, কোহিমা, নামচি, গেঙতোক অমসুং শিলোংদা ক্লাউদ বেজ আই সি সি সিষ্টেম লিংখৎনবা বি ই এলগা এম ও য়ু সহি তৌনখ্রে। প্রাধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা (অরবান)গী মখাদা অৰাং নোংপোক্তা সেঙ্কসন তৌখিবা য়ূম লাক্ষ ২.৩গী মনূংদা হৌজিক ফাওবদা য়ূম লাক্ষ ১.১৬ শাখ্রে। ট্রিপুরাদা সেঙ্কসন তৌখিবা য়ূম চাদা ১০০ শাখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন-চাজ) ফোর হাউসিং এন্দ আরবান এফিয়ারস হরদীপ সিংহপুরিনা পি এম এ ৱাই অর্বানগী মখাদা হৌখিবা চহি ৪দা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা সহরগী লায়রবশিংগীদমক য়ূম লাক্ষ ২.৩ হেন্না শান্নবা সেঙ্কসন তৌখি। মদুগী মনূংদা য়ূম লাক্ষ ১.১৬ হাননা শাবা হৌখ্রে হায়না পাউদমখি।

ঙসি মফম অসিদা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা পায়খৎলিবা অর্বান মিসনশিংগী ফিভম কয়াম খুমাঙ চাওশিল্লবগে য়েঙশিল্লদুনা পিরিবা এপ্রুভেল অসি হৌখিবা চহি ১০ হায়বদি জে এন এন য়ু আর এন অমসুং রাজিব অৱাজ য়োজনাগী মখাদা ২০০৪-১৪ দা সেঙ্কসন তৌখিবা য়ূম ২৬,০৪১অদুগা চাংদম্নদুনা য়েঙবা মথৌ তাই। হায়রিবা মতম অদুদা সেঙ্কসন তৌখিবা য়ূমশিং অদুগী মনূংদগী সুপ্নগী য়ূম ২১,১৫৯ শাখি। ৱাৎহৌরিবা ৪,৮৯২ অদু শাদ্রি।

মিসনশিং অদুগী নুমিৎ নীনিগী রিভিয়ু অদুদা হাওশিং এন্দ অর্বান এফিয়াস মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরী দুরগা সঙ্কর মিসরা অৰাং নোংপোক ষ্টেট পূন্নমক্কগী সেনিয়ার ওফিসারশিং মিনিষ্ট্রি অসিদা লৈরিবা মিসন দাইরেক্টরশিং অমসুং ট্রিপুরাগী বিপ্লবকুমার দেবসু শরুক য়াখি।

প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা, অর্বান ( পি এম এ ৱাই -অরবান), অতল মিসন ফোর রিজুবিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোরমেসন (অমরুত) অমসুং স্মার্ট সিটি মিসনৎ ২০১৪ ওক্টবর ২দগী হৌখিবা স্বাস ভারত মিসন (অর্বান), নোর্থ-ইষ্ট এন্দ নোর্থ ইষ্টন রিজন অর্বান দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এন ই আর য়ু দি পি)গী মখা চথরিবা চাদা ১০গী লম্প সম স্কিম, দীনদয়াল অন্তয়োদয়া য়োজনা-নেসনেল অর্বান লাইবলি হুদস মিসন ( দি এ ৱাই-এন য়ু এল এম) অমসুং রিয়েল ইষ্টেট রিগুলেসন এক্ট (আর ই আর এ)গী থবকশিংগী খূৎমাঙ চাওশিনবা অদু রিভিয়ু মীফম অদুনা য়েঙশিনখি।

এ এম আর য়ু টিগী মখাদা অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা অতৈ ষ্টেটশিংনা প্রোজেক্টকী অচঙবা শেনফমগী অহুম থোকপগী শরুক অমদগী তঙ্খাই অমরোম ফাওবতমক পুথোকপা অদুগী মহুত্তা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিং দদি অচঙবা শেনফমগী চাদা ৯০ পুথোক্লি।

অৰাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগীদমক ষ্টেট এনুয়েল এক্সন প্লান্ট (এস এ এ পি) গী দমক লূপা ক্রোর ১৫০৬.৬২গী শেনফম থাদনবা অয়াবা পীখ্রে। লূপা ক্রোর ৩৩২গী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী মনূংদা হৌজিক ফাওবদা লূপা ক্রোর ২১.৩৭ কী প্রোজেক্টশিং লোয়শিনখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা এস এ এ পি গী মখাদা এপ্রুপ তৌরকিখবা প্রোজেক্টশিংগী চাদা ১০০ লোয়নমক্কী কন্ট্রেকশিং পীখ্রে। ট্রিপুরাদা পান্দম থমখিবা পূন্নমক পাংথোক্কুনা ষ্ট্রিদ লাইট ৩৪,৫০০ এল ই দি লাইট শিংনা মহুৎ শিনখ্র। অমরোমদা মেঘালয়ানা তোতি ঈশিং কোঞ্জিন ১০,১৬৮ অনৌবা কনেক্সন পীদুনা টারগেটতগী হেন্না পাংথোকপা ঙমখ্রে।

**লমায় ১ গী মখা**

## খুদোংথীবা থোকহনবা শা-উচেক থেংনরবদি পাউ পীরক্নবা...

শাশিংনা য়ুমদা য়োকপা শাশীংদা করিগুম্বা লান্দা চথরকপা মতমদা পাউ ফাওনগদবা নম্বরশিংদি থৌবালগী ওইনা মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৭০১১৬৩, বিষ্ণুপুরগী ওইনা ৯৮১৮১৬৩০৫৯, ৮৭২৯৮১৭২৭০ অমসুং ৯৮৬৩৭০১৭৮০, সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ৯৪৫৮৯৬৩৫২২, চুরাচান্দপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওইনা ৮১১৯৯৭৯৫৩৭ অমসুং কাংপোকপগী ওইনা ৯৪৩৬৮৯৪৭৯৪ নি। মসিগা লোয়নননা থিজিন হুমজিনবগী মরমদা ঈ পাউ খঙবা য়ানবগীদমক চী ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেনগী ওফিসকী নম্বর ৮২৫৯৯৭৬৩৯৪ অসিদা পাউ ফাওনবা য়াগনি হায়না পল্লি।

হন্দক লমলক্কী শা ওইগনি চিংনবশীংনা য়ুমদা য়োকপা শা উচেকশিংদা এটৈক চথরম্বা অসিগী য়েংলগা য়ুমদা য়োকপা শা উচেকশিং অদু নিংথিনা ফাজিন্দুনা থম্বীনবা লোয়ননা মকোনশিং অদু মরোন অনী থোক্না খাবীনবা আপীল তৌখি।

শা উচেকশিং থল্লিবা মফমশিং অদুগী অকোয়বদা মৈ নিংথিনা থানবীবা, অকোয়বা অদু নারক মোঙশোং লৈহনবীনবসু আপীল তৌখি।

মসিদা নত্তনা করিগুম্বা লমলক্কী শাশিং অদু উবিরবা অমসুং শা উচেকশিংদা লান্দা চথরম্বা থেংনরবদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবশিংগী তেলিফোন নম্বর অসিদা পাউ পীবিয়ু হায়রি। মসিগা লোয়ননা কনাগুম্বনা লমলক্কী শা অদু ফারবদি হাৎপীবগী মহুত্তা ওফিসিয়েলশিংদা পাউ পীবিনবসু চেরোল অদুদা পনলি।

অমরোমদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা মণিপুরগী মফম কয়াদা শকখঙদবা শানা য়ুমদা য়োকপা য়েন,ঙানু, ওক অমদি হামেং হাৎপগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিগী মতাংদা হায়, শকখঙদবা শা অদু মশক খঙদোক্নবা ফোরেষ্ট দিপার্টমন্টে অমসুং ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া দেহরাদুনগী সাইন্টিষ্টকা লোয়ননা হোৎনরি।

দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্বীদুনা মতেং পাঙবীনবা আপীল তৌখি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তোইনা থোকপা নত্তবনা থিগৎপদা মতম খরদি শোয়দনা চংগনি, থৌদোক অমা থোকপা মতমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা পাউ পীবগা লোয়ননা মফম অদুদা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং নত্তনা অতোপ্পা চংহনবীগনু। থৌদোকশিং সাইন্টিফিক ওইনা থিজিনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

মীয়ামদা মীপায়বা পোকহনবা য়াবা তোকঙাশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা শন্দোকপীদনবসু আপীল তৌখি।

অমরোমদা হৌখিবা থা খরগী মমাংদা চুরাচান্দপুরগী হৌরক্লগা হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না য়ুমদা য়োকপা শা উচেকশিংদা শকখঙদবা শাশিংনা লান্দারকপগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াদগী লাক্কদবা ৱাইল্ডলাইফ ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং অদু ঙসি ইম্ফালদা থুংলগদবা অদু হয়েং ওইনা থুংলরগনি। মখোয়না মণিপুরদা হেক য়ৌরকপগা থৌদোক থোকখিবা মফমশিংদা চত্তুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংখগনি হায়রি। মরক অসিদা হৌজিক ইম্ফালদা লৈরিবা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, দেহরাদুনগী সাইন্টিষ্ট অনিনা মফম অনিদগী সেম্পলশিং লৌরগা দব্লিউ আই আই দেহরাদুনদা চায়েংগীদমক থানবা থৌরাং তৌখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক ইম্ফালদা ষ্টেসন তৌদুনা লৈরিবা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চীংমৈরোংদা চত্তুনা শকখঙদবা শা অদুনা লান্দা চথরম্বা মফমশিং অদুদগী সেম্পলশিং লৌরুরে।

সাইন্টিটেশিংনা লৌখৎলুবা সেম্পলশিং অদু দব্লিউ আই আইদা থারগা মখা তাবা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংখগনি হায়রি।

সেম্পলশিং অদু থানা থানা ইন্সটিট্যুট অসিদগী লাক্কদবা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং অদু ঙসি ইম্ফালদা য়ৌরক্কদবা অদু খুদোংচাদবা খরদগী থুংলখিদ্রে। টিম অদু হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালদা থুংলরগনি।

মখোয়না ইম্ফালদা থুংলবা থৌদোক থোকখিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা থৌদোকশিং অদু করি করম্বা মখলগী শানা চথবনো হায়বদু খঙদোক্নবগী থবক পায়খৎকনি হায়খি।

মসিগা লোয়ননা ষ্টেট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারশিংগা লোয়ননা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎলি হায়রি। ঙসিদি অনৌবা থৌদোক থোকপগী থোইদোকপা পাউ লৈতে হায়রি।

## ঐচআইভি শন্দোকপগী চাং মণিপুরনা ৫শুবদা...

মসিগী মনুংদা এ আর টি চাবগা লোয়নননা হৌজিক হৌজিক হিংদুনা লৈরিবনা ১২,৬৬০ নি।

হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হায় রিস্কগ্রুপশিংদা ঐচ আই ভিনা শোকহনবগী চাং অসি রেকোর্দকী মতুংইন্না অসুম হন্থরক্লি। ষ্টেট অসিদা ইঞ্জেক্তিং দ্রগ য়ুজরশিংদা ঐচ আই ভি শন্দোকপগী চাং অসি ইং ১৯৯৭ তা চাদ ৭৬.৯ ওইরম্বদগী ইং ২০১৭ তা চাদ ৭.৭তা হন্থরকখ্রে।

ফিমেল সেক্স ৱার্কর অমসুং মেন হেভিং সেক্স ৱিঠ মেনগী ওইনসু শন্দোকপগী চাং অসি য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা চাংদা হন্থরক্লি হায়রি।

ফিমেল সেক্স ৱার্করশিংগী ওইনা হৌখিবা চহি ইং ২০০৩ দা চাদা ১২.৪ ওইরম্বদু ইং ২০১৭ তা চাদ ১.৪দা হন্থরকখি। মসিগা লোয়ননা মেন হেভিং সেক্স ৱিঠ মেনগী কাঙলুপতসু ইং ২০০৩ দা চাদ ২৯.২ ওইরম্বদগী ইং ২০১৭ তা চাদ ৯.২দা হন্থরকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ওইনা ইং ১৯৯০ দগী ইং ২০১৭ ফাওবদা এদল্ট ঐচ আই ভি প্রিভেলেন্সকী চাং অসি মিজোরামনা চাদ ২.০৪ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংলি। মসিগী মথংদা মণিপুরনা চাদ ১.৪৩ ওইদুনা অনিশুবদা লৈরি লোয়নননা নাগালেন্দনা চাদ ১.১৫, তেলঙ্গনানা চাদা ০.৭০ অমসুং অন্ধ্রপ্রদেশনা ০.৬৩ ওইরি।

ইং ২০১৭কী ওইনা ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা প্রিভেলেন্স রেটতা য়েংলকপদা মহারাষ্ট্রনা পিএল ঐচ আই ভি লাক্ষ ৩.৩০ লৈদুনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈরি। মসিগী মথংদা অন্ধ্র প্রদেশনা লাক্ষ ২.৭০ লৈদুনা অনিশুবদা, কর্নাটাকানা লাক্ষ ২.৪৭ ওইদুনা অহুমশুবদা লৈরি। মসিগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গল, তামিলনাদু, উট্টরপ্রদেশ, অমসুং বিহারনা পি এল ঐচ আই ভি লাক্ষ ১গী মথক্তা লৈরি।

ইং ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী ওইনা অনৌবা ঐচ আই ভি ইনফেক্সনগী কেস ৮৭.৫৮ রোমনি। নৌনা ঐচ আই ভি ইনফেক্সন তৌবগী চাং অসি অসাম, মিজোরাম, মেঘালয়া অমসুং উট্টরাখন্দদা লেপ্তনা হেনগৎলকপা থেংনৈ। অদুগা নাগালেন্দ,মণিপুর, দিল্লি, ছটিসগর অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীদদি হৌখিবা চহি ৭ অসিদা চাদ ১০গী মখাদা হায়থখ্রে।

অমরোমদা মণিপুরগী তুংগী মীরোল কন্নবগীদমক ঐচ আই ভি অমসুং এইদস থেংননবা হোৎনবদা মপুং ওইনা খুন্নাই অসিনা অমসুং অখন্ননা নুপীশিংনা হেন্না থৱায় য়াওশিনবা চংই হায়না গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী মফম অতৈদা পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু মালেমগী এইদস নুমিৎ থৌরম মণিপুর ষ্টেট এইদ কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলস পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণরনা মখা তানা হায়, ঐচ আই ভিগী ট্রিটমেন্ট হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা অমসুং ঐচ আই ভিগা লোয়ননা হিংমিন্নরিবা মীওইশিংনা হেন্না মশা মউ ফনা অমসুং নুংঙাইনা পুন্সি লেনবা য়ানবগীদমক ঐচ আই ভি চাংয়েং তৌথোকপা তঙাইফদে।

লুহোংদ্রিঙৈদা ঐচ আই ভি চাংয়েং তৌবা অসি মপুং ফানা শৌগৎলি। ঐচ আই ভি এইদকী ইশু অসি ইচম চম্বা হকশেলগী ইশু অমা ওইরক্রে। মসিনা সমাজগী থবক থৌরমশিং, শেন্মীৎলোন, আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং, মীওইবগী হক অমসুং রাজনিতিগী ৱাফমশিংনা লোয়নদুনা লাকপা ইশু অমা ওইরি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু তাথি তাওইনা তৌবা অমসুং হন্থনা য়েংবীবা কয়ানা মরম ওইরগা মীওই কয়া ঐচ আই ভি টেষ্টিং তৌবা কিবগী মরম ওইহল্লি। মীয়ামদা কনফিদেন্সিয়েল ওইনা ঐচ আই ভি টেষ্টিং তৌহনবগী ৱাফম অসি ইশু অমা ওইরি। মীওই অয়াম্বনা নারক্নবা অমসুং চিংনরবা মতুংদা চাংয়েং তৌবা ওইনা তৌই।

য়ুম্বুরেম্বী কয়াদা ঐচ আই ভিনা শোকহনলকপা অসি য়েংলগা প্রোব্লেম অসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইরি। করিগুম্বা অঙাংশিংদা ভাইরস অসি য়াওখিবা তারবদি মণিপুরগী তুংলমচৎ অসি অমকপা ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা অঙাংশীংবু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবা অঙম্বা থাক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদৌরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, ইং ১৯৯০ অদুৱাইদা আই দি য়ুশিংদা ঐচ আই ভিগী প্রিভেলেন্স রেট অসি য়াম্না ৱাংলম্বদু হৌজিক য়াম্না হন্থরে। অদুম ওইনমক প্রিভেলেন্স অসি য়াম্না কন্না হোৎনরবসু খরদি লৈরে। শন্দোকপগী চাং য়াম্না হন্থরে। গভর্ণমেন্টকী পান্দমদি মসি শন্দোকহন্দবনি।

ঐচ আই ভি-এইদস থেংননবা হোৎনবদা পুম্নমক খুৎশম্নরগা চৎমিন্নবা দরকার লৈ। মীওইবা অসি কনানসু ঐচ আই ভিগা লোয়নগনি হায়বগী ৱাখলদা দ্রগ চাখিবা নত্তে। মতম অমদা মসি ফেসন অমা ওইনা তৌনখিবদগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লাকিখবনি। ঐচ আই ভি পেসেন্টশিং অসি করিগী করেম্ননিঙাই মচাক লৈবগে হায়খি।

অৰাং নোংপোক্তা মিজোরামনা অহানবদা প্রিভেলেন্স রেট অসি চাদ ২.৪ অমসুং মণিপুরনা চাদ ১.৪৩ ওইদুনা অনিশুবা পোজিসন্দা নাগালেন্দনা চাদ ১.১৫ গী চাংদা লৈদুনা অহুমশুবা পোজিসন তারি। ইন্দিয়াগী ওইনা অপুনবা প্রিভেলেন্স রেট অসি চাদ ০.২২গী চাংদা লৈরি।

মসি খরা কন্না হোৎনদুনা ইং ২০২৪ দগীদি মসিগী লায়চৎ অসি পুরানা মুখৎনবা হোৎনবগী ৱাশকখ্রে। মসি ঙাক্নবা হোৎনবা তাই।

ঐচ আই ভি-এইদসনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌবা তঙাইফদে। মণিপুর অসি হৌজিক লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা ইমুংগী চাং অসি চাদ ৩৬কী মথক্তা লৈরি। মসি খরা হেন্না হন্থহনবা তঙাই ফদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লমদম অসিদা হান্না থবক তৌবা মতমদা থম্মোয় শেঙনা থবক তৌরমদবনা লায়রবা মীয়ামদা পীগদবা রেসন কার্দ, লেবর কার্দ অদু তলব চাবা, থবক তৌবা মীওইশিংনা লৌদুনা লৈরল্লি। দরকার ওইবা মীওইশিংদা য়ৌহনবা ঙন্নমদে। মসিনা লায়রবা কোকহনবা ঙন্নমদবনি হায়খি।

### লাল্লে হায়জহল্লবা...

অদুবু লাইবক থিবদগী মণিপুরোমদগী মাওদগী জুকো ভেল্লি য়ৌবা ফাওবা চৎলিবা লম্বীগী ফিভম ফত্তবনা টুরিষ্টশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লি। মদুনা টুরিষ্ট অমুক হন্না লাক্নিংদবগী মরম ওইরি। মরম অদুনা টুরিষ্ট মশিং য়াম্না লাক্নহন্নবগীদমক জুকো ভেল্লিগী লম্বী অমদি রেষ্ট হাউসনচিংবা অসি অথুবা মতমদা সেমগৎপিয়ু হায়না বিজয়না মখা তানা ফোংদোকখি।

### শাশিন্নবা...

ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন-১২গী মখাদা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর-১৮ ওফ ২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

লোয়ননা কম্মিশনগী এক্টিং চেয়রপার্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা থৌদোকসিগী মতাংদা দিজিপি, মণিপুরনা থাসিগী ২১ ফাউবগী মনুংদা কম্মিশনদা রিপোর্ট অমা পীনবা মমাঙ থাগী ২৮দা খঙহনখ্রে হায়রি।

### ও জয় আইএনসিদা...

মহাক মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌবা লৈতে। অদুবু পার্টিনা মীরেপ ওইননবা খঙহল্লকপা লৈরগদি মহাক শোয়দনা মীরেপ ওইগনি।

### কেমেরা ট্রায়েল..

ঙসি কেস অসি য়ৈথোকখিবনা মরম ওইরদুনা কেস অসিগী এক্যুইজ অহুমগী মনুংদা বোন্দ ফর্নিশ তৌগদবা ৱাৎহৌবা অমগীদি থাসিগী ১১দা তৌবদসু কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

### ইম্ফাল সিটি...

মসিগী মরুওইবা মরমশিং লৈঙাক্না থাদোকফম থোকপা শেনফমশিং মতম চানা থাদোক্তবদগীনি হায়রি।

কম্পেইনি অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ইঞ্জিনিয়ার অমগা পাউ-চে অসিগা ঙসি নুমিদাং টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা মহাক্না হায়খি, থাঙ্গাল কৈথেল অমদি খোয়াথোঙদা হৌজিক কিনিঙাই ওই হায়রিবা মৈগী উপুশিং অদু হয়েংমক য়েংশিন্নবা মী থারগনি অমসুং থুনা-য়াংনা শেমজিনবা হৌরগনি।

# সিসিএসকেগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস
ইম্ফাল, দিসেম্বর ১ঃ কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সিসিএসকে)কী অহুল্লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুঠ হোষ্টেলদা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা সোসাইটিজ অসিগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং অমদি হান্নগী থৌমীশিংগী মরক্তা হেন্দিং এন্দ টেকিং ওভর ওফ নিউ ওফিস বিয়ররগী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সিসিএসকেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেনহৈবা, সিসিএসকেগী এডভাইজর জয় চুঙ্খাম কেএদব্লিয়ুএগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইমা কুমু,চিতুৱাগী প্রসিদেন্ট ইমা পূর্নিমাসি, দব্লিয়ুদব্লিয়ুওকেগী প্রসিদেন্ট ইমা বালা অমসুং সুককী প্রসিদেন্ট এন গোবিননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

য়ুনাইটেদ ওল কম্ম্যুনিটিজ সোসিয়েল অপলিফ (য়ুএনএসিএসয়ু)গী থৌমী ওইরিবা জিতেন্দ্রনা সিসিএসকেগী অনৌবা প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর য়ুঠস প্রোটেক্সন কম্মিটি (এএমৱাইপিসিও)গী থৌমী লোইতোংবম দোল্লরনা জেনরেল সেক্রেটরী,কংলৈপাক ৱুমেন্স ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (কেদব্লিয়ুদব্লিয়ুএ)গী ইরোম সোভাসিনিনা ফাইনান্স-,য়ুএনএসিএসয়ুগী লাইখুরাম জয়েন্তনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী অদুগা এএমৱাইপিসিওগী মালেম কোংবমনা পব্লিসিটিগী ফম পুরগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়নননা মীওই ২০ রোম্না ঈ দান তৌখি।

হান্নগী সিসিএসকেগী প্রসিদেন্ট আর্জুন তেলহৈবনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, সিসিএসকেগী মপোক-কুমওন থৌরম নুমিৎ অসিদা ঈ দোনেসন তৌরিবসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই। মীওইবগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ অসি লেবোরেটরিদা শুংবা য়াবা পোৎশক নত্তে। ঙসিগী ঐগী হকচাংদগী দান তৌখিবা ঈ অসিনা শকখঙদবা কনাগুম্বা মীশক অমগী থৱায় কল্লুগদৌরিবনি। মীওইবগী থৱায় কনবা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা খুদোল অমা মালেমদা লৈতে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মীওই খুদিংমক মরৈবাক মজাতি নুংশি, মরৈবাক মজাতি নুংশিবগী মচৎ অসি মীওইবনা পোক্লকপদা লোইনরকই। অমরোমদসু, মীওইবা খুনাইবু নুংশিরবদি ইরৈবাক-মজাতিসু অদুম নুংশিরবনি।

ইরৈবাক্কী হায়বা ৱাফম লাকপদা থৱায় ফাওবা পাম্মুদবা মীওই কয়া ঐখোয়না থেংনখ্র। মখোয়গুম্মা ঐখোয়সু ইরৈবাক ইজাতিগীদমক অফবা থবক খরা তৌরমসি। ঙসিগী সোসাইটি অসিদা শোইরিবা ময়ামসি ঐনা-ঐনা ঙম্বা থাক্তা শেমদোকসি। অফবা মীশক ওইরবদি খুনাইগী য়াইফনবা থবকসু শোয়দনা তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিসিএসকেগী এডভাইজর জয় চুঙ্খামনা থৌরম পুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, সিসিএসকেনা লৈবাক্কী ইশু কয়াদা নাথৈদনা লাকখি। হৌখিবা চহী কয়াদা লূপ অসিনা লমদম অসিবু মপাঙ্গল কনবা লিংজেল মান্নবা সমাজ অমা ওইনবগী থবক-থৌরমশিংদা পূক্নিং চঙখি। মাঙলূরবা খুনাই অসিবু মতিং লৈবা, ইং-তপ্পা, মরা চেৎপা লৈবাক অমা ওইনবগী পান্দমদা থবক তৌদুনা লাকখিবনি হায়নসু মখা তাখি।

# ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী শেম্বা হৌখ্রে

এস এন এস
ইম্ফাল, দিসেম্বর ১ঃ মতম শাংনা শেম্বীদনা লাক্লবা অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তক্লবদগী নেসনেল হায়ৱেগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌবদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্স-পোর্ট এন্দ হায়ৱেজ অয়াবা পীরকখ্রবা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী শেম্বদবগী মায়োক্তা লমদম অদুগী মীয়াম হৌরক্তুনা থিংজিনবদগী শেম্বা হৌখ্রে।

মতম শাংনা শেম্বীরক্তবদগী মরি লৈনবা ওঠোরিতিদা কয়ারক হন্না হায়জরবা ফাওবদা শেম্বীরক্তবদগী কৈরাও, লংদুম, খন্নরোক শন্দ্রোক, ফুনালমরিং, লাইফরোক মরিং য়াওনা অকোয়বগী খুঞ্জা কয়ানা হৌরক্তুনা লম্বী থিংখ্রে। মীয়াম হৌরক্তুনা লম্বী থিংলবা মতুংদা ঙসিদগী লম্বী শেম্বা হৌরকপদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং মতম খরা য়ৈথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা কৈরাও বিত্র, কৈরাও খুনৌ, লংদুম, ফুনাল মরিং, খন্নরোক, চনম সন্দ্রোক লাইফরোক মরিং, কৈরাও ৱাংখেমনচিংবা খুলশিংগী মীয়াম্না হৌরক্তুনা ইরিলবুং থোঙখোঙ, কৈরাও খুনৌ, লংদুম লমখাই, চীংয়া উকু,কৈরাও ৱাংখেমনচিংবা মফম কয়াদা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী থিংদুনা থমখি।

মীয়াম্না লম্বীদা উ ৱা ফৈজিনবা, দ্রম অহাংবা পরেং লেঙদুনা লম্বী থৎলগা মথক্তা শিজিন্নদ্রবা তয়ারশীং পৈখৎলগা মৈ থাবনচিংবা চখদুনা লম্বী থিংখি।

লম্বী থিংবা অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা থোকখি।

লম্বী থিংবগী পাউ অদু তাবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল এস পি লো এন্দ ওর্দর এ ঘনশ্যাম শর্ম্মনা লুচিংবা কমান্দো পার্সোনেলশিং য়াওবা পুলিস টিম মরি লাক্তুনা লম্বী থিংলিবশিংগা ৱারি শান্নখি।

লম্বী অসিগী ফিভম ফত্তবা অসি য়েংলগা প্রজাশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবা কয়া অদু য়েংলগা লম্বী থিংবা নত্তবা অতোপ্পা খোঙজং ওইনা চংশিনবীয়ু, লম্বী থিংবগী থবক অসি তৌবিগনু হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

অদুবু লম্বী থিংলিবা প্রজাশিংনা পুলিসকী ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দরকার লৈরবদি মরি লৈনবা ওঠোরিতিশিং লাক্লগা ৱারি শান্নরবা মতুংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নগে হায়না ফোঙদোকখি।

তুংদা নুংথিলদা কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ এল রামেশ্বর, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমসুং লম্বী অদু শেমগদবা কন্ট্রেক্টর মশামক লাক্তুনা লম্বী থিংলিবা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারি শান্নরবা মতুংদা লম্বী অসি মপুং ফানা তৌখায়রগা মতম শাংনা চৎকদবা মওংদা অথুবা মতমদা শেম্বা হৌরগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোকখিবনি। মীয়ামগা ৱারি শান্নরবা মতুংদা মেছিনরিশিং থাদদুনা লম্বী শেম্বা হৌখি।

মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক লৌখৎলকপদগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্ট, এম এল এ এল রামেশ্বর মীতৈ, পি দব্লিউ দিগী ওফিসিয়েলশিংবু থাগৎলি হায়খি। অদুব ওইনমক লম্বী অসি মতম শাংনা চৎকদবা মওংদা ক্বালিতি লৈনা থবক শুবীনবা আপীল তৌরক্লি।

**লমায় ১ গী মখা**

### মোবাইল ফোন...

পুখৎলগা ফুবিখি অমদি মখোয় অনিগী মোবাইল ফোন অনি মুনখি। মহাক্কী নুপীবু নাকলদা চিংথোখ্রগা ফিরোল লৌথোকহল্লগা মখুৎ শাংখি। থৌওং অদু মখোয় ৪গী মনুংদগী অমনা মোইবাইল ফোনদা ভিদিও নমখি। মখোয় অনিবু চিন্নান-চিন্নান চুপ্লৌ হায়দুনা চুপ্নহল্লগা মখোয়না ফোতোসু নমখি। তুংদা মীওই ৪ অদুনা মখোয়গী অনিগী অহল-লমন কৌরকউ হায়দুনা নমদুনা কৌহল্লগা লুপা ১০,০০০ থাদোকমল ওইনা লৌরগা থাদোরকখি।

এসপিনা হায়,কমপ্লেন্ট অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখত্তুনা থিগৎপগী থবক চংখি। মদুদা, থৌদোকসিদা চেন্নবা মীওই ৩ লমদেং মখা লৈকায়দা লৈরে হায়বা পাউ অমা ঙরাং নবেম্বর ৩০দা ফংবদগী এসপি মশামক্কী সুপরভিজন মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কম্মান্দো টিম অমা খুদক্তা মফমদুদা চংশিন্দুনা চেন্নবা মীওই অহুম অদু ফাখি।


ফারবা মীওইশিং অদুদি লোইফ্রাকপম রোমানন্দ সিংহ, চহি ৩১ অপোকপা এল তখেল্লে, খুন্দ্রাকপম জয়েন্তকুমার, চহি ২২ অপোকপা কেঐচ ধননজয় অমদি হৈরাংখোঙজম সচিকুমার সিংহ, চহি ৩০ অপোকপা হেরামোট সিংহনি। মখোয় অহুমক লমদেং মখা লৈকায়দগী ঙাক্তনি। মখোয় ঙরাং চীফ জুদিসিয়েল মাজিষ্ট্রেট ফার্ষ্টক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট-১ কোর্টতা পুথোকখি। তুংদা ঙসি থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী চেন্নবা মরিশুবা মীওই অদুসু ফাবা ঙম্রে। ফারবা মীওই অদুগী মমিং চিঙ্গাংবম চিত্তরঞ্জন মৈতৈ, চহি ২৮ অপোকপা সিঐচ জয় কৌই। মহাকসু লমদেং মখা লৈকায়দগীনি। মহাকসু ঙসি হায়রিবা কোর্ট অসিদা পুথোক্লবা মতুং মখোয় মরিমক থা অসিগী ৫ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পিরে হায়না এসপিনা মখাতখি।

মখোয় ৪বু ৱাহং পাউহং তৌবদা মখোয়না তৌখিবা মরালশিং অদু মশানা য়াজরে। অমদি মখোয়দগী মোবাইল ফোন ৫, সিম কার্দ ৫ অমদি মেমোরি কার্দ ৩ ফংলে হায়না এসপিনা মখাতানা ফোংদোকপাগা লোয়ননা ফারবা মীওই ৪ মক পাঔমীশিংগী মমাংদা পুথোকখি।

ইরোইশেম্ব এরিয়দা কনাগুম্বাশিংনা নিষা চাশিল্লগা অসিগুম্বা নাতৈ চাদবা মীঙোন্দগী পোৎ চৈ মুনবা, তাবদা নুঙাইতবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা নুপী লরুবা থৌওং কয়া চখরে হায়বগী পাউ ফংলে মসি অথুবা মতমদা লেপ্প্রবদি ফারগা আইনগী ওইবা চপ-চাবা চৈরাক পিরগনি হায়না এসপিনা মখা তানা চেকশিন ৱা থম্লক্লি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল

Title : SCENERY





Laishom Redean Singh
Class: II
Roll No : 2
T.D. Memorial Academy


Title : MICKEY MOUSE





Kaimanthang
Class: III
Roll No : 33
SEC : A
UNACCO SCHOOL


Title : JERRY





Senlanlu Kabuini
Class: II
SEC : D
UNACCO SCHOOL


Title : SCENERY





Laishom Rozer Singh
Class: IV
Roll No : 59
SEC : A
ST. JOHN ENGLISH HIGH SCHOOL, NAMBOL


Title : SANTA CLAUSE





Haripriya Khomdram
Class: II
Roll No : 49
SEC : B
UNACCO SCHOOL

Title : SCENERY



Jessica Takhellambam
Class-II Roll no.1
Progressive English School, Lamding

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ



